**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-07-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৩-০৭-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা অহুম য়াওনা মীওই ৪ ফারে।

২) নেক্স জেনরেসন এদমিনিষ্ট্রেতিভ এন্দ ঈ-গোভ রিফোর্মস হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চখৎগদবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসিদগী শিল্লোংদা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) পেট্রোলদা ইথানোল য়ানশিনবদগী গারিশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙদোনরক্লিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না সরকারনা হায়রি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা অহুম য়াওনা মীওই ৪ ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং য়াইরিপোক পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক পেচি লম্বীগী অঙোম ফুটবোল তর্ফ মনাক্তগী মীওই অমা খূৎশু খূৎলাইগা কোন্ননা ফারে। মীওই অদু মকুই নাগা ভিলেজতগীনি হায়রি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা নোংমৈ মরু ১০ অমসুং বোলেরো অমা ফংলে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা খুরাই নান্দৈবম লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (নোংদ্রেনখোম্বা)গী মীওই অমা ফারে। মহাক কিয়ামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকাইদগীনি। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকি। পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখৈ অয়াংপল্লি লম্বীদগী অতোপ্পা কে.সি.পি(নোংদ্রেনখোম্বা)গী মীওই অমসু ফারে। মহাক শিংজমৈ মখা খোংনাংফৈদেকপীদগীনি।

অমরোমদা, য়ু.পি.পি(কে)গী মীওই অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা পোরোম্পাৎতা লৈবা কারকিনোশ হোস্পিতাল মনাক্তগী ফারে হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈতানপোকপী খুলদা কম্মুনিতি আউটরিচ পোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদু সিভিল মিলিটরি এঙ্গেজমেন্ট ইন্নিসিয়েতিভকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি হায়রি। থৌরম অদুদা, কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্দুনা শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবগী মতাংদা মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারি শান্নখি। থৌরম অদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

**লৌ (এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নোং চুবগী চাং হেনগৎলকপদগী লৌউ শিংউগী থবকশিং পাঙথোকপদা হেন্না খুদোংচাহল্লে। তম্পাক্কী লমশিংদসু লৌউ শিংউগী থবক হান্নদগী হেন্না পাঙথোকপা হৌনরে।

চীংগী জিলা খরদদি নোং নিংথিনা চুবা অমসুং চীংজ্মশিংনা মরম ওইদুনা লৌ পানবগী থবক্তা হেন্না খুদোংচারি।

**শিলোংঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ এদমিনিষ্ট্রেতিভ রিফোর্মস এন্দ পব্লিক গৃভান্সেসনা মেঘালয় সরকারদা পুন্না শিন্দুনা নেক্স জেনরেসন এদমিনিষ্ট্রেতিভ এন্দ ঈ-গোভ রিফোর্মস হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চঙখগদবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসিদগী শিল্লোংদা হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কেন্দগী মন্ত্রি জিতেন্দ্র সিংহ অমসুং মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ সংমানা ৱা ঙাংগনি। মীফম অসিদা, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা পোলিসি মেকর, এদমিনিষ্ট্রেতর, টেকোলোজিস অমসুং গভর্ণান্স প্রেক্তিসনরশিং ৩০০ হেনবনা শরুক য়াগনি।

**পেট্রোলঃ** পেট্রোলদা ইথানোল য়ানশিনবদগী গারিশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙদোনরল্লিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না সরকারনা হায়রি। প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো(পি.আই.বি)গী ফেক চেক য়ুনিটনা হায়-লৈবাক অসিদা ফংলিবা পেট্রোলশিং অসি ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ন স্তেন্দর্দসনা পীবা মগুনশিং চপ চানা ঙাক্নুনা মীয়ামদা ফংহল্লি হায়না পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হান্ননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু লৈরে।

**মন্দাভিয়াঃ** কেন্দ্রগী লেবর অমসুং এমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডা.মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লৈবাক শিনবা থুংনা লূপা কোতি ৬৬৮ গী এমপ্লোইয়িজ ষ্টেট ইন্স্যুরেন্স (ঈ.এস.আই) হেলথ কেয়র প্রোজেক্টশিং হয়েং হৌদোক্কনি। ডা.মন্দাভিয়ানা তেলঙ্গনাগী সনাথ নাগরদা লৈবা ইসিক হোস্পিতালদা নৌনা শেমগৎপা ও.পি.দি ব্লোক শঙ্গাগনি। অসাম, তামিল নাদু, অন্দ্র প্রদেশ, গুজরাট, কোতা অমসুং রাজস্থানদসু প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা নৌনা শেমগৎপা

ফেসিলিতিশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শঙ্গাগনি। লেবর মন্ত্রালয়না হায়-প্রোজেক্ট অসিনা লৈবাক অসিদা লৈবা মীওই লাক্ষ ৫০ হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

**শাহঃ** কেন্দ্রগী কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত শাহনা ঙসি গুজরাটকী গান্ধিনাগরদা ভেজিতেবল সব-য়ার্দ অমা শঙ্গাগনি। কোওপরেসন মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা শ্রী শাহনা এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী মখাদা উ-চারাশিং থাগনি অমসুং এগ্রিকলচরেল প্রদ্যুস মাক্রেট কম্মিতিগী অমৃট মহোৎসবকা মরী লৈননা পুথোকপা চেফোং অমসুং রিলিস তৌগনি। শ্রী শাহনা কম্মিতিগী মীওইশিংগসু ৱারি শান্নগনি।

**য়ুমঃ** কেন্দ্রগী হাউজিং এন্দ অর্বান এফিয়র্স মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি-য়ুম কৈ শাবা য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা মতমদা মহৌশাগী ফিভমদা অকাহবা থোকহল্লোইদবা টেকোলোজিশিং শিজিন্ননবা হোৎনগদবনি। সেন্ট্রেল পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী ১৭২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মনোহরলালনা হায়-বিল্ডিংশিং নত্রগা ষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপা মতমদা লৈফম থোকপা মগুনশিং ঙাকা শেমগৎ শাগৎকদবনি। মসিগী মথক্তা অনৌবা ইন্নোভেসন অমসুং টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা শেমগৎ শাগৎপগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা অকোইবগী ফিভমদা শোকহল্লোইদবা থৌওংশিং য়ারিবমখৈ শিজিন্নরোইদবনি। থৌরম অদুদা, মন্ত্রিনা উট্টর প্রদেশকী গাজিয়াবাদতা শাগদবা নেসনেল কাউন্সিল ফোর পব্লিক ৱার্কস বিল্ডিংগী উরেপ উয়ুংসু ভর্চ্যুএল ওইনা তমখি।

**মনঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১৩৬ শুবা মন কি বাট- পুকিংগী ৱা থা অসিগী ২৬ তা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। তাঙ্কক অসিগীদমক মীয়ামা

মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং তোলফি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০ দা ফোঙদোরকপা য়াগনি হায়রি। নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদসু মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোরকপা য়াগনি। ১৯২২দা মিস কোল পীরগা এস.এম.এসতা ফংবা লিঙ্কতা মখোয়গী ৱারোলশিং অদু থারকপসু য়াগনি। মীয়ামগী ৱাখল্লোনশিং থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৌশিনবা লোইগনি হায়রি।

**জহাজঃ** ওমানগী সমুদ্র খোঙবান্দা ঙরাং ভারত মচাশিং তোংবা জি.এফ.এস গেলেক্সি হায়বা জহাজ অমদা এত্তেক্ট চথরকখ্রবা তুংদা, নোংচুপ এসিয়া লমদমদা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম খুদক্তা লোইশিন্নবা ভারতনা অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- লমদম অদোমদা ভারতকী জহাজশিংদা এত্তেক্ট তৌবগী থৌওংশিং চথরকপা অসিদা ভারতনা য়ামা হকচিন্না লৌই। উংখৎনরিবা ফিভম অদু লোইশিন্নবা ৱারি শান্নবগী থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খত্তুনা লমদম অদোমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহনবা ভারতনা পাম্মি।

**ভিয়েটনামঃ** ভিয়েটনামগী ফুকো আইলেন্দদা হি লাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদবা ভারত মচা ১৫ গী অশিবা হকচাং ঙসি লৈবাক অসিদা পুরক্লগনি। থৌদোক অদুদা, অশোক অপন নংখিবা মীওই ১৫ লাইকন্নরবা মতুং লৈবাক অসিদা হল্লকবা শেম শারি হায়না মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কান্তো সাবলদা য়ুম মৈ থাখিবগী থৌদোক মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী পাউ, রিমসতা এম.বি.বি.এসকী সিট মশিং হেনগৎখিবা অমসুং

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মশিং য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙলি।

কান্তো সাবলগী মীয়াম মৈ হৌনা শাওরে, চিফ মিনিষ্টর উন্নদুনা সেন্ট্রেল ফোর্স লৌথোকবা তকশিনখে, ষ্টেট ফোর্স থন্বা হৌখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ওপরেসনদা কান্তো সাবল থৌদোক্তা চেন্নবা অমসু ফারে, কান্তো সাবলগী অনৌবা সেক্যুরিতি এরেঞ্জমেন্ট, এম.এল.এ, দি.সি অমসুং এস.পিনা য়েংশিনখ্রে হায়না- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসতা এম.বি.বি.এস তমবগী সিট ১২৫ দগী ১৫০ দা হেনগৎনবগী অয়াবা পীরকখিবগী পাউ- পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা গারি অমদগী ওপিয়ম কিলোগ্রাম ৪৯ মখায় ফাগৎখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নেসনেল হায়ৱে-৩৭ তা মাল পুবা গারিশিংদগী নমদুনা শেল খাইবগী থৌওং হেনগৎলকপগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক গেমস লোইশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু- হুইয়েন লানপাউগী শান্নবগী কলমদা ফোঙলি।

পীকচরবসু মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা নৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়া পুরক্লি হায়না গভণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংদা

মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

লৈমখোঙ অমসুং কান্তো সাবলদা য়ুম মৈ থাখিবগী থৌদোক মাইকৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোরকপগী পাউ- মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চান্দেল জিলাদা শঙ্গাখিবা খুলনি ব্রিদজকী মতাংদা চয়েৎনবা ৰাফমশিং থোরক্লে হায়বা পাউনা- দ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ৱার্ল্ড কপগী সেমি-ফাইনেলদা ফ্রাঞ্চ অমসুং স্পেন, অর্জেন্তিনা অমসুং ইংলেনগা থেংনরগনি হায়না- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- তাদুবী-উখ্রুল হায়ৰেদা তোইনা লৈখোম লৈনাং চেন্থবা অমদি চীং নিংখাইবগী থৌদোকশিং থোকপদগী লম্বী শেম্বদা থিহন্থহল্লে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--